ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, এপ্রিল ০২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০০৭শুবা মশীং

# মণিপুরগী মরাইবক

### অপূনবা মণিপুর শাগৎমিন্নবনা পূন্নমক্লা তংদু লৈতানা লৈবা ঙমগনি

তোঙান তোঙানবা লাইনীং চৎপা, শক-চু মান্নদবা, ৱাখল্লোন খেন্নবা মীওইশিং লৈবাক অমত্তদা পূন্না খুন্দামিন্নবা ঙল্লিবা অসি নুংশিনবা অমসুং থাজনবা হায়বসিদা যূম্ফম ওইরিবনি। ঙসিদগী চহী লিশীং ২ হেনবগী পুৱারী লৈজবা মণিপুরদা নীংশিংবা থোক্ত্রিঙৈ মতমদগী হৌনা চীংবুরোই তম্বুরোইশিং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকই হায়বসি ককপা য়াদ্রবা ৱাফম অমনি। নোংদা লাইরেল পাখংবগী মতমদগী হৌরগা মৈদিঙু চরাইরোংবগী সনা হাক্তক ফাওবদা চীংমীগা-তম্মীগা অদুক্কী মতিক নুংশিননা অমসুং অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরম্বগী খুদম চাংদমশিং হৌজিকসু লৈরি। চীংমীগা-তম্মীগী মচিন-মনাও ওইনা লৈমিন্নরম্মী হায়বসি মেরা থাদা মেরা থাউমৈ থানবগী চৎনবী অমা লৈরিবা অসিনসু তাক্লিবনি। চীংদা খুন্দারিবা ময়াম্বদা তম্পাক্তা কুম্লগা পুন্সি হিংনবা চৎখিবা মনাওনুপানা মখোয় হিংলি হায়বা খঙননবা মেরা থাদা থাউমৈ থানবদু চীংদা খুন্দাহৌরিবা ময়াম্বশিং অদুনা উরগা মনাওনুপাগী নুঙাইবা পাউ ফংলে হায়না নুংঙাইনরম্মী হায়বা ৱারীশিং তম্মীশিংদা লৈরি। হায়রিবা ৱারী শিংবুলশিং অসি হৌজিক্কী মতমদদি চীংমীশিংনা অঙকপা অমা ওইনা তানরি। মসিগী মরমদি মৈহৌরোল অমদগী মৈহৌরোল অমা হৌখ্রবা মতুংদা মথং মথং চিনবুং ৱারী ওইনা থল্লম্বদগী মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না কাউনখিবনি। চীংমী-তম্মী মচিন-মনাওনি হায়বগী অতোপ্পা খুদম অমনা মীতৈশিংনা উমংলাই হরাউবগী থৌরমশিংদা ময়েক শেংনা অদুমক খঙগনি। অদুবু থেঙ্খাং কয়ারক্তা মচিন-মনাওগী মরক্তা অফং-অফংবা খূৎশু খূৎলায় পায়রগা য়েক্নবা অমগুম্না লম্বানবগী ফীভমদা হেক হেক লাকপগী মতৌ অসি পূন্নমক্কী ওইনা লাইবক থীবনি।

মীওইবগী লিচৎ থাদোক্লগা চথুরকপা থৌওং খরনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈদা হেক হেক শিংনরক্লে। ফীভম অসি করিদগী কমদৌনা লাকপনো হায়বদু ঐখোয় পূন্নমক্লা নৈনহৌদ্রবদি ঐখোয় মশেল মচোই-মচোই তানদুনা য়েক্নবশিংনা খুদোংচাবা লৌখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। মণিপুরগী মীচম মীয়াম্বু য়েলহৌমী ওইরিবা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা খরনা মতম চুপ্পদা ৱাহন্ননবা হোৎনরি। অদুগা অতোপ্পা কাঙবু অমনা মরম চাবা দিমান্দ অমা তৌরকপদা মখোয়বু মতম চুপ্পদা তোখায়বা মিৎয়েংদা য়েংদুনা লৈনরি। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তানবা শিনবা, অপূনবগী শক্তম থুগাইবা পাম্বা খূৎপু অমা লৈরব্রা হায়বসিসু ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙমিন্নবা চঙই। হৌখিবা মতমশিংদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদগী খৎন-চৈনবা থোকপদা নত্তনা মীশি মীনা থোকপগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী অন্দ্রো খুন অমসুং শন্দং শেনবা মরিং খুনগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদগী উংখৎনদুনা লাকখিবনি। চৈরক অসিদা হৌখিবা মার্চ ২৯দা শন্দং শেনবা মরিং খুনদা লৈবা য়ূম তরেৎ শকখঙদবশিংনা মৈ থারম্বগী থৌদোক থোকখি। পামদবা থৌদোক অসি মখা তানা থোকহন্দনবা লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনক্কারি কম্মিটি কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিন্নবা খঙহনখ্রে। লৈঙাক্কী খোঙথাং অসিমক য়াম্না মতাং মতম চাই হায়না লৌই। লমগী ৱাহৌদা খুন অমগা খুন অমগগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং অসি লৈঙাক্লা মতম পূন্নমক্কী ওইনা লোইশিন্নবা থৌশিল থৌরাং লৌখৎপা চুমগনি। অরৈ লৈতা তাথোক তাশিন তৌনদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবদা কান্নবা ফংগদৌরিবসি পূন্নমক্তনি। খুন্নাই অসিবু মাঙলোমদা চঙশিনবদা অমগা অমগগী মরক্তা পূক্নিংগী অচেৎপা মরী থম্নবগী তঙাইফদবসু লৈ। অপূনবা মণিপুর শাগৎমিন্নবনা পূন্নমক্লা তংদু লৈতানা লৈবা ঙমগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫

১) “চীংয়া তময়া” (অহানবা ফোঙবা, ১৯৫৫) হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?
২) “মেঘনাদবদ-কাব্য (সম্পূর্ণ)” হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?
৩) “খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী অনীশুবা শরুক” হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?
৪) নিংথৌ “থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক” অদু করি লাইরিকনো?
৫) “ঐদি আত্মাগী কন্সেপ্টতা থাজবা ঙমদ্রি; ঈশ্বরবু থাজবা ঙমদ্রি। ঐগী মাঙদা থোঙ অহুম লৈরে - আত্মা, ঈশ্বর অমসুং প্রকৃতি। থোঙ অনীদি হৌজিকসু লোল্লি অমদি হাংলে - অদুবু থোঙজিন কানশিল্লগা মনুং য়ৌশিনবদি ঙমদ্রি হাংলিবা থোঙ অসিসু।” কবি কনাগী ৱাহৈনো অমসুং কদাইদা য়াওখিবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি
১) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৩)
২) এম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩,৪)
৩) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,৩,৪)
***৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৪,৫)***
৫) লাইশ্রম এলেনা, টোপ খোংনাংমখোঙ - (১,৩,৪)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৪গী ৱিন্নর

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

লিটরেরি ক্যুইজ১৪গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম এপ্রিল ৪, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪গী পাউখুম

১) “ত্রিপুরাগী মৈহৌরোলদা মৈতৈ” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
***:- রাজকুমার কমলজিৎ সিংহ।***
২) শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামিনা লেংবা “শ্রীশ্রী চৈতন্যচরিতামৃত” হায়বা লাইরিক অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক অসি কনানা মণিপুরদা হন্দোকপগে?
***:- শ্রী তোংব্রম গৌরমনি সিংহ।***
৩) “শৈরেং ৱারেং শিংজু” হায়বসিগী অইবা কনানো? ***:- জি সী তোংব্রা।***
৪) “সাহিত্যগী ঈচেলদা মণিপুরী মুসলিম” হায়বসি কনানা খোমজিল্লগা কনানা ফোঙবনো?
***:- খোমজিনবা : এম এম অহমদ অমসুং এস এম শৈখ।***
৫) “থোঙাক অশিথেন্নে, অশিবনা পোত্থাফমনে তাইবঙপানববু হন্না য়েংদনা মমা মপা মতু মৱা, মচা অসি খৈবিকপু ঙম্না উইয়ে হায়বগীবু অশিবা খৈবিকনা মফম অদুদা কপনা লাউনা তৌএ অদুবু খমনুং শিতনুপীনা খমনুং অশিহৈবু হৈরাঙ খূত্তা পীদনা চাহল্লে। হৈরাঙ চারবগা মমা মপা, মতু মচা মৱা ঙম্না কাউএ। অদুগীদমকপু থোংঙাক অশিথেন মকোই নুংওনচীং তৌনা কৌএ।” কদাইদগী লৌথোরকপনো?
***:- চীঙ্গোইরোল লাইরিক্তা য়াওবা চীংলোন লাইহুই হায়বদুদগীনি।***

# পাউচে ফোঙদুনা য়াওশঙ মনুংদা অওনবা লাকহনখ্রে

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

চুম্বা-লানবদি খঙদে লমদমসিদা য়াম্না তোয়না হায়নৈ - অফবা থবক তৌরকপদা থাগৎপীনবা, শৌগৎপীবগী হৈনবী লৈতে। অদুবু থাগৎপা য়াবা অমদি লৈরে। হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি অসি পাউচে (খবর) লাক্তে। ঈ-পাউ পাবা ফংদে। লমদমসিগী মীয়াম য়াম্না নুংঙাইতনা লৈ। ঈ-পাউ মতম মতমগী থোকপসু খঙবদা য়াম্না ৱানা থোকই। খঙবা ঙমহৌদবা কয়াসু কোঙ্গাইনি। ঈ-পাউ খঙদবা হায়বসিনা ঙসিগী তাইবঙপাল অসিদা হিংবদা কয়া য়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্নবগে হায়বদু মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। শম্না হায়রবদা, মরু ওইবা তৌদবা য়াদবা থবক অমগী ঈ-পাউ মতম চানা খঙহৌদবা মতমদা খুদোংচাদবা অদুমক থেংনরি। মনীং হনবা ফীভম হায়বদু ওইরে। রেদিওদগী তাবা ঈ-পাউসু য়াম্না কান্নবা পীরি। অদুন্নদি ওইরবদা পাউচে অমদি রেদিওগী পাউ অনী অসিগী মরক্তা খেন্নবা কয়া লৈরি। অমনা প্রিন্ট মীদিয়ানি অদুগা অমনা ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়ানি।

ঙসিদি পাউচে য়ৌরক্লে। নুংঙাইরে, ৱাখলসে মশেক মঙাল থোকপগুম তৌই। কুইনা ঙাইদুনা লৈরবা য়াম্না পাম্বা পোৎশক অমা ইনাক্তা য়ৌরক্লবগুম ৱাখলদা খল্লি। পাবা হেক্তা হৌই। লেপ্লিংদে। নুংঙাইববুদি হৌখ্রবনি হায়বা য়াই অমরোমদা করিনা হায়ববু য়াওশঙ হৌবা নুমিৎতগীনা হুমনি চনবা ফাওবা প্রেসকী ছুটি লৈবনা পাউচে পুথোকচরোই হায়না উবদগীনি। মদুদগী খঙখ্রে মরিনি চনবা অমদি মঙানি চনবা নুমিৎতি প্রেস ছুটি ওইদ্রমাল্লে। নহানমখৈদি নুমিৎ মঙানিমক প্রেস ছুটি ওইবনি। অদুনদি নুমিৎ মঙানি চূপ্পা পাউচে লাক্তবদুমক্তি তৌররোই। হন্দক্তি লাক্কনি। হরাওখি অদুবু থাজবদি ঙমখিদে। খনখি থম্মোয়দা চুম্লবজাৎলনে হায়না। অদুদগীদি পাউচে অমদগী পাউচে অমদা মথং-মথং য়েংখি লোইনমক্তা প্রেস ছুটি নুমিৎ হুমনি ওইনি হায়বদু য়াওব্রা হায়না। মসিগী মরমদি পাউচে অমদা শোয়দনা য়াওখিবজাৎলা হায়বসিনি। অমখক্তদা য়াওরগা অতৈদদি য়াওদ্রবজাৎলা হায়নফাওবা খনখিদবা নত্তে। য়েংবীয়ু থাজবা ঙমদবগী চাং অসি। য়েংবীয়ু পাউচেবু কয়া য়াম্না মরু ওইনা খনবগে অমদি পাউচেবু ঙসিগী হিংবগী পুন্সি অসিদা কয়া য়াম্না য়াওদবা য়াদ্রবগে হায়বদু। মীয়াম্না পাম্না পানবা পাউচে অহুমদা য়েংবদগী উবা ফংলে প্রেস ছুটি য়াওশঙ হুমনি চনবা ফাওবা ওইগনি। শোয়দ্রে হায়বা খঙলে। নুংঙাইরে নুমিৎ মঙানি পাউচে লাক্তবদু হন্দক্তি তৌররোই। মদুদগী অদুমক নুংঙাইবা হৌখ্রবনি। ঙাইবসু হৌখ্রবনি। য়াওশঙ হৌবা নুমিৎ হুমনিখক্তু হৌখিবা ঙাইবদা কয়াদা ৱাখিবা। হায়নবদুমক্লি ঙাইবমুক ৱাবা থবক অমা লৈতে। য়াম্না কুইরবোই নীংলুই। মী লোইনমক অসিগুম্না তৌরম্লবদি য়াই। অদুবু অয়াম্বা মীওইনা খল্লমগনি। খন্দুনা য়েংবীয়ু নুমিৎ মঙানিবু লেপ্তুনা পাউ পাবা ফংলক্ত্রগবু করি ৱাখল খল্লমগনি হায়বদু। পাউচে হায়বসিদা য়াওরিবা অদুগা মীয়াম্না পাম্না পানরিবা/য়েংনরিবসি মতম মতমগী থোকপা থৌদোক ৱাথোকখক্তা নত্তে অতৈ কান্নরবা পাউ কয়াসুনি। শম্না হায়রবদা থবক্কী পাউসু অমনি। ঙসিদি গ্যাসকী পাউসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইরে। পাউচেদা নৎত্রবদি গ্যাস য়েনবগী পাউ অসি অতৈদগী ফংবা ৱানা থোকই। ৱাদি চাক থোংনবা গ্যাসকী পাউ হায়বা। অদুবু মসি য়াওদনদি থবক অমত্তা তৌবা ঙমদবগী ফীভমদা ঙসিদি লৈরবনি। অতৈ কান্নবা পাউ কয়াসু য়াওরিবনি। প্রিন্ট মীদিয়াদা য়াওবা পাউসিদি য়েংনীংবা মতমদা য়াম্না লায়না পাবা, য়েংবা ঙমই। প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া অনীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা অদু মসিনি।

অফবা থবক অমা তৌরকপদা থাগৎপা হৈবগী চৎনবী লৈবা চুম্মী হায়বদুগী মতুংইন্না হন্দক য়াওশঙ মনুংদা পাউচে ফংহন্দুনা মীয়াম্বু পূক্নিং লৌশিং হেনগৎহনবগীদমক্তা হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। পাউচেগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি প্রোপ্রাইটরশিংগা পূন্না লৌমিন্নবা ফিরেপ ওইরমগনি খল্লি। মসিদি মণিপুরগী মীদিয়াগী ওইবা অচৌবা অহোংবা অমনি হায়না শিংথানীংই। লমদমসিগী খুন্নাইগী ওইনসু অচৌবা অওনবাঅমনি। কোরোনাগী লায়চৎনা লৈরিঙৈ য়াম্না চিরবা মতম অসিদা মীয়ামদা কান্নরবা পাউ কয়া ফংহনবিবা হায়বসিসু লৈবাকমচা তাবা ৱারেপনি। অদুবু অসিগুম্বা মীয়াম্না য়াম্না থাগৎনরিবা ফিরেপ অসি হৌখিবা য়াওশঙ কয়াগী মনুংদা লৌবা য়ারম্বনি। অদুগা ৱারেপ লৌবদসু থবক ওইনা পাঙথোকপা মতমদসু থোইদোক্লা ৱাগদবা/লুগদবা লৈবা নত্তে। থবক ওইনা পাঙথোক্তবা য়াদে হায়বা চপ যুংনা লেপ্পা থৌনা/লিংজেল অদুনি মথৌ তারম্বসি। য়েংবীয়ু হন্দক্কী য়াওশঙ মনুংসিদা পাউচে য়েন্থোকপা হোকরশিংনা লৈকায় খুদিংমক্তা য়ূম-য়ূমদা চৎপা মতমদা শেল মুনবগী খুদোংচাদবা লৈতে। মদুমক হৌখিবা চহী কয়াদা লৈগদবা নত্তে। হোকরদা শেল মুনগদবা মী তাঙই। অদুগা মখোয়না পাউচে য়েন্থোকপা মতমদুসু অয়ূক ঙাক্তনি হায়বদি য়াওশঙগী শেল মুনবা অঙাংশিংনা ময়ূমদগী লম্বীদা থোক্লক্ত্রিঙৈ মতমদনি। অদুনা হোকরগী থৌদাং চাওই মরমদি পাউচে নম্লুরগা হোকরনা য়েন্থোকপীদ্রবদি পাগদৌরিবা মীয়ামগী থোঙজিন্দা য়ৌবা ঙল্লোই।

পাউমীশিংসু লম্বীদা মথৌ চৎপদা শেল মুনবা থেংনবা য়াই। অদুবু পাউমীনি হায়বদা অঙাংশিংসু অথিংবা পীদবনি। পাউমীশিংনা তোংবা গাড়ীদা ‘প্রেস’ হায়না থাবনা অথিংবা পীদবনি। মসিনা হায়নীংলিবদি পাউচে ফোঙনবা পাউমীশিংনা মথৌ চৎপদা থোইনা খুদোংচাদবা লৈতে। অচৌবা থৌদাং অমদি পাউচেগী মপু ওইরিবা মীওইশিং অদুগীসু লৈতবা নত্তে। পাউচে ফোঙবা হায়বসি শেল য়াম্না চঙবা থবক অমনি। অরায়বা থবক নত্তে। শম্না হেক্তা য়েংবদবু শেলকা ইচং-চঙদবা থবক ওইনা উবগী ৱাখক্তনি। তশেংনা হায়রবদি মীয়াম্না য়াম্না কান্নবা পাউচে অসি প্রেসতা নম্বগী মতাং অসিদদি য়াম্না লায়না য়াবা, শেল ইচং-চঙদবা ওইনা উনবগুম তৌবগী মওং অমদা লৈ। পাউচেদু কোপি লিশীং মরি/মঙা শেল চঙনা নম্লুরগা মীয়ামদা য়েন্থোকপীনবা লৈত্রবদি শেল মাঙলে, মীয়াম্নসু পাবা ফংদ্রে। অদুগা য়ামখ্রবা কোপি লিশীং মরি/মঙাদু মফম চিল্লবা প্রেসকী কাদা তাদুনা শীজিন্নফম খঙদনা লৈবা তাবনি। মদুগুম্না নুমিৎ কয়ানি পাউচে ফোঙদুনা প্রোপ্রাইটরশিংনা লৈবা ঙমগনি। পূন্নমক অসি য়েংলুরবদি হোকর এসোসিএসনগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মদু হন্দক্তি খঙলকপা মাল্লি। পাউমী অমদি প্রোপ্রাইটরশিংগীদি পাউচে ফোঙনীংবগী ইহুল অদুমক লৈগনি। হোকরশিংসু লৈবনি। হোকরশিংনা পাউচে য়েন্থোক্তবদা মখোয়দসু মাঙজৈ, মীদিয়া হাওসশিংদসু মাঙজৈ। পাউচে ফোঙলগনা লোয়নমক্তা কান্নবা ফংই। মীদিয়া হাওসশিং অসি ইসেন্সিএল সর্ভিসতা লৈবা কাঙবুনি। হন্দক্কী ফিরেপ অসিদি লৈবাক মীয়ামদা য়াম্না কান্নহনবনা হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। ●

# য়াঙ্গংলবী য়াওশঙ উরুবদা থম্মোয়সি কায়রে

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

ইরমদমসিগী মফম অয়াম্বদা কুমসি-কুমগী য়াওশঙ, য়াঙ্গংলবী তুরেলগী ঈচেলগুম, নিংথি-নুংঙাইনা অমত্তা পাঙথোক্লখিদ্রে। পাঙথোক্লখিদবগী মরমসু ঐখোয় পূন্নমক্লা খঙই, তমথীরবা কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎসিগী মরমগীদমকনি। অদুবু, পাঙথোক্লদবসিসু কায়দেদি খল্লি, ফীভমসিদা ইরমদমসিগী মীয়ামগী থৱায় কন্নগদৌরিবনি। অদুম ওইনমক, তশেংনা কুমসিগী য়াওশঙ কুম্মৈগী মতৌসিদি উরুবদা পূক্নিংসি অসুক্কী মতিক নুংশিবা অমা ফাওরকই অমসুং থম্মোয় ফাওবা কায়বা হায়বদু হেক য়ৌই। অচুম্বদুদমক হায়বনি, ফীভম্না য়াদ্রবনিনা কনাদনো ৱাকৎলুদৌরিসি? তাইনগে হায়না তাইনরবসু কোরোনাগী মহীক, কোভিদ-১৯ মঙোন্দা ওইনা তাইনগদৌ’দা মঙাই। ফরে, ৱাফমসি থল্লসি। অদুগা, খ্বাইদগী লুরিবদি, লমদমসিগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা য়াওশঙ কুম্মৈ ফাওবদা কোরোনা লায়নাগীদমক খল্লগা থিংনরক্লবা মতমসিদা লমদমসিগী মীচম-মীয়াম্না কোরোনাগীদমক চেকশিন-থৌরাং কয়াম লৌনরবগে হায়বসিনি। হৌজিক-হৌজিকমক, ইরমদমসিগী লম্বী-লমজাউশিংদা চৎনরিবা মীওইশিং, কৈথেল অমদি দুকানশিংদা পোৎ লৈনরিবা মীয়াম, কোরোনা পক্লক্তনবগীদমক তঙাইফদনা মাস্ক উপ্পগা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎনবগী থৌদৌশিং ইউ-উবা ফংনদ্রি। মসিনা কমদৌসি হায়রিবনো? তঙাইফদনা ঙাক্লা চৎনগদবা কাঙলোন খরখকসি ফাওবদা ঙাক্লা চৎপা ঙমদ্রিবা ঐখোয়না য়াওশঙ কুম্মৈ, থাবল চোঙবা থিংখিবগীদমক কনাদা করি হায়রগা ৱাকৎলুগনি? ৱাকৎফম্বুদি তশেংনা থোকত্রবনি।

চাকতোন-পিদোল্লবী কুমসিগী য়াওশঙসিদা, নহানমখৈগা মান্নদনা কা হেন্না তোন্থবা মতৌ কয়ামরুম কুমসিদি উবা ফংই। তঙাইফদনা শাদবা ফাওদি নুংঙাইতে খন্দুনা শাবা মানবা য়াওশঙ কয়ামরুম উই। য়াওশঙ মৈ হেক থাবগা মহৌশাদগী খরা হন্থজরবসু, মহৌশাগা মওং মান্ননা অদুম্মক মাস্ক অমত্তা উপ্নদনা, অঙাংশিংনা য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা য়াওশঙগী নাক্কথেংবা চৎনৈ। নুমিৎসিগী নুমিদাংৱাইরম সি-খক নত্তনা মথং নুমিত্তগীদি, কুমসিগী য়াওশঙ কুম্মৈসি লোইশিন্নখিবগা চপ মান্নখি। নোংঙাল্লগা মহৌশাগুম য়ূম-য়ূমদা নাক্কথেংলবগী চাংসু অসুক্কী মতিক হন্থখি। লম্বী-লমজাওশিংদা থৌরি পায়দুনা নুপীমচাশিংনা অরাকপা গাড়ীশিং থৎতুনা শেল মুনবগী থৌদৌসু মশীং অসুক্কী মতিক লিকখি। য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোকপা লৈকায়গী ক্লবশিংসু মশীং ওখাক্লা হন্থখি। থাবল চোঙনবগীদমক লৈশাবী মচাশিংনা মমাঙ-মমাঙগী য়াওশঙশিংদা শেল খায়রবা অমদি লৈকায়গী মৌ-নহাশিং চাক-চানবগী শেনখায় খোল্লবগী থবক তৌখিদ্রে। অদুম ওইনমক, কোল্লুপ-কোল্লুপকী ওইনা মৌ-মচা খরা, লৈশাবী-মচা খরা-খরদি লন্না-লন্না চাক চানবগী পাউ তানখি। কুমসি কুমগী ওইনা য়াওশঙ স্পোর্টস হৌদোক্লবগীদমক, কঙলাদগী মৈরা লৌবগী থৌদৌশিং থোইনা তৌনবা উখিদে। লম্বী-লমশাংশিংদা মরাথোন লমজেল চেনবসু পংথেং থেংনদে হায়বা য়াই। ধোন-বেন্দ অমদি হোলি-পালাগী খোঞ্জেলশিং কুমসি চহীগী ওইনদি পুমতোক তোকখ্রে। থৌদৌশিংসিনা কুমসি চহীগী য়াওশঙবু অমত্তা তেংবাঙখিদবনা, কুমসি চহীগী য়াওশঙ নমদুনা মায়থীরবা য়াওশঙ অমা হায়বদু ওইহনখি। শম্না হায়রবদা, অবের মশক উখিদবা, মচু-মচুগী পিচকারিশিং পায়নবা থেংনখিদবা য়াওশঙ হায়বদু কুমসি চহীগী য়াওশঙসিনা ময়েক শেংনা ওইখ্রে। ফীভমসিদবু য়াওশঙ কৌনীংবা হৌনরিব্রা, কুমসি চহীগী য়াওশঙসিবু য়াওশঙনি হায়বা য়াখিগদৌরিব্রা? য়াওশঙদা অবের উদবা, থাবল চোঙবগী বেন্দ মখোল তাদবা অমসুং হোলি-পালাগী ধুলোক চোলোম উখিদবা হায়বসি য়াওশঙগীদমক্তি লোইরবনি। পূন্নমকসি কোরোনাভাইরস কিবদগী অমদি লায়নাসিগী মহীক মখল, কোভিদ-১৯বু হঙ্গোইনবদগী থোক্লিবনি। সি-মক্লা কুমসি কুমগী য়াওশঙবু “য়াঙ্গংলবী য়াওশঙ’ হায়না মিঙ্গৌবদা চুনহল্লি। কুমসিদি, লমতা থাগী থানিল মাসু মাবু বোইকোট তৌবীবসিদা, মহৌশাগী মায়থোঙগা মান্নদনা লৈচিল-নোংফাইনা কূপ্তুনা, মশেক-মঙাল থোক্তনা, নোংপোক থংবা অতিয়া মচেৎতগী খোঙদোইরকপা উনখি। খঙদ্রেদা, কুমসিগী কুমসি করম থোক্লগদৌরিবা হায়দুনো?...

য়াওশঙদং পল্লকপদা, য়াওশঙগী থাবল হায়বসি মৈতৈ ফুরুপতা নত্তনা লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী মফমদা, মিৎনা উনরিবা অমদি থম্মোয়দা ফাওনরিবা ঙাক্তনি। চহী খুদিংগী য়াওশঙ কুম্মৈনা লাকপদা মৈতৈ ফুরুপকী নহা-অহল খায়দনা পূন্নমক্লা পূক্নিং নৌথোক্লরিবনি। য়াওশঙ হায়বসি তশেংনমক, মালেম ফম্বাকথকসিদা নাকেন্থা লোইখিদুনা নৌনা খোঙদোই হুল্লকপা য়েন্নীংথা মাগীদমক অনৌবা মপাউ পুরকপা কুম্মৈনি। কুম্মৈসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্লো পুন্দুনা, লমদমসিগী মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়দগী য়াওশঙ কুম্মৈবু কৈদৌঙৈদসু খক লাপ্পা চনহনখিবা ঙম্নদে অমসুং কাউসু কাউহন্দে। অসিগুম্না, চহী খুদিংগী চত্থুরকপা লমতা থাগী য়াওশঙ কুম্মৈ, কুমসিদি কোরোনাভাইরসকী মখূত্তা ইরায় লায়না মায়থীবা নংলে। ইরমদমসিগী শাবী-শানৌ লাখ-লাখনা খুজেং পালোয়নদুনা চোঙমিন্নজগদবা থাবলশিংসু চোঙমিন্নবা ফংহনখিদ্রে। নহানমখৈ চুরমদবা কুমগী নোং মাসু কোরোনাভাইরসকীদমক তেংবাঙদুনা, য়াওশঙ নুমিৎ মঙানিদুখক ঙাইবা ঙমদবগী মওংদা, অতৎ অখম লৈতনা চুথরকখি। ফীভম ফৎত্রিঙৈগী মথক্তা অমুক্কসু কুমগী য়াওশঙ কুম্মৈ, কুমগী নোং মানসু হেন্না মওং তাহনখিদে। পূন্নমকসিনা মীরায়বীরবা কুমসিগী য়াওশঙগী তোল্লবা মতৌসি তূমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা ঙল্লকত্রে। ফরসু ফৎত্রসু মৈতৈ ফুরুপকী য়াওশঙ হায়বা কুম্মৈসি ফুরুপসিনা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা শাগোন্নরক্লবা কুম্মৈনি। লম্মখাংদা কোন্না মোদিফাই তৌখিবনা অমনি। মোদিফাই ফনা তৌদুনসু য়াঙলেন শরূ ওইরিবা য়াওশঙ থাবলগী কুম্মৈদি ইরমদমসিদগী খক মুৎহনখিবা ঙল্লোই। শুপ্নগী লুহোংফম অমখক লৈতেংনবা হোৎনবদা য়ূম্বু ওইরিবা ইমুংদুনা লুপা লাখ ৪/৫ ফাওবা থাদনরবা মতমসিদা, চহী অমগী মনুংদা শুপ্নগী নোংমখক্তং, লৈকায় অমনা নৎত্রগা খুঙ্গং অমনা লুপা লিশীং ৪০/৫০ খক পুথোক্তুনা য়াওশঙ থাবল চোঙববু করি কায়, চোঙজসনু। অপূনবগী ওইনদি ফুরুপসিগী অচৌবা কুম্মৈ হায়ববু শুপ্নগী য়াওশঙ হায়বসি খক্তা ঙাইশিল্লক্লবনি। ইশাগী লাইনীং-লাইশোনগা শগোন্নরকপা কলচরনি, ইশানা কঞ্জদনা কনানা কনবীগনি? তৌবতবু কুমসিগী ওইনদি কোরোনাভাইরসকী তমথীবা লাইচৎসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা, চহীসিমখক য়াওশঙগী থাবল লেপথোক্লবগী ৱাতনি। তৌববুদি, মীয়াম পূম্বা মীশি-মীনা মথং-মথং নংগদবগী শরুকপুদি, কুমসি কুমগী য়াওশঙ থাবল সিখক লেপথোকহৌবনা য়াম্না হেন্না ফৈ। ফীভমসিদা ৱাফমসি তঙাইফরক্তবনি।

উচিন-নাচিন, য়াওশঙ কুম্মৈ লোইখ্রে। কুম্মৈসিনা মরম ওইরগা কোরোনানা কা হেন্না খুদোংচাবা লৌবা হায়দুমক্তি ওইররোইদ্রা খল্লি। য়াওশঙ থাবল চোঙহৌদবসিনা থিংহৌবা শোয়দনা ওইরমগনি। পূন্নমকসি ইরমদমসিগী লৈবাক মীয়ামসিনা, মরু ওইনা ইরমদমসিগী লৈশাবী মচাশিংনা ৱাখল তাবা সিটিজেন অমমম ওইহৌবদগী থৌদৌসি পাঙথোকপা ঙমহৌরিবনি হায়নীংই। ৱাখল তামিন্নহৌবসিগীদমক থাগৎনফম থোকই। ৱাখল তাফাৎনদ্রিঙৈ, মমাঙগী চহীদদি, পুলিস লাক্তুনা থাবল লোইশিল্লদ্রি ফাওবা চোঙনরম্বনি। মসিনি চাওখৎলকপা হায়রিবসি। ফুরুপসি চাওখৎলকই হায়বা তাকপনি। হৌজিক্তি য়াওশঙ থাবলগী ৱাফম লোইখ্রবনিনা, ঐখোয় পূন্না ইরমদমসিদগী কোরোনাগী ৱাফম ময়েক শেংনা মুত্থৎখিনবা ৱাখল্লোনলোমদা ওইনা অমুক ৱাখল থাদমিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।